হুইয়েন লানপাউ

চীংমী লুচিংবশিংগী অমসুং মীয়ামগী নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফম্ফমদগী হৌগৎলগা তাঞ্জুল অহল অমা নুংশিনা খূৎ শোকপগী শক্তম

লামায় ১

নবেম্বর ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা নেসনল হেন্দলূম এক্সপো ২০১৮ লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হৌদোকপগী শক্তম

লামায় ৫

ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওবজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর, হাওমী রিছার্স গিল্ড মণিপুর অমসুং মপী কাউন্সিলনা শীন্দুনা পাঙথোকপা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম

লামায় ৩

শামুরৌ কৈথেল লিংখৎখিবা চহী ৫২ শুবা কুমওন থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মাহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা লৈখিদ্রবশিংগী শক্তমদা লৈ কৎপা

লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.213 ইরাই, মেরা ১৭নি পানবা, অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Friday, October 26, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

### থাউগী মমল

**ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট**

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৭৬.৫৭
**দিজল :** লিটরদা লুপা ৭০.২৯

## হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে : প্রিপাক

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী টিম অমনা থা অসিগী ২২ দা লম্লাই এরিয়াদগী ফারবা তুংদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে হায়না থা অসিগী ২৪ দা ফোঙবা ইংলিশ এদিসনগী পাউচে অমদা য়াওরকখিবা পুংদোংবমদগী থিংবাইজম নিংঙোল সুমিলা দেবী (৩০) অপোকপা টি ঐচ নিমাই প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মিগা করিগুম্বা মখল অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না লূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পব্লিসিটি ওফিসর অচৌবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা লূপ অসিনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, সুমিলানা লূপ অসিগী ম্যান্মার মনুংদা লৈবা লোৎফম কয়া অমসুং মহাক্কী ইন্টরোগেসনদা হায়দোরক্লে হায়না লম্লাই পুলিসকী আই ওনা পীখৎলক্লিবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৩*

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৮.৪৭ °C | ১৭.৭০ °C |
| চান্দেল | ৩২.৩০ °C | ১৫.৩৮ °C |
| সীসীপুর | ৩০.৪৯ °C | ১৬.৯৪ °C |
| ইম্ফাল | ৩১.১৯ °C | ১৬.২৯ °C |
| সেনাপতি | ২৭.৯৩ °C | ১২.২৬ °C |
| তমেংলোং | ৩৪.১৩ °C | ১৫.১৮ °C |
| থৌবাল | ২৯.২৫ °C | ১৬.৪৪ °C |
| উখ্রুল | ২৩.৬৬ °C | ১২.৩৬ °C |
| মণিপুর | ৩৪.১৩ °C | ১২.২৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.339222 |
| US Dollar | 73.251315 |
| British Pound | 94.090015 |
| Australian Dollar | 51.874690 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.544031 |
| Japanese Yen | 0.651897 |
| Malaysian Ringgit | 17.575246 |
| Australian Dollar | 51.874690 |
| Singapore Dollar | 53.077232 |
| South Korean Won | 0.064416 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.533684 |
| Thai Baht | 2.223592 |
| Myanmar Kyat | 0.04634 |
| Bangladesh Taka | 0.87382 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32459.89 |
| Mumbai | – | Rs 33422.46 |
| Delhi | – | Rs 33208.56 |
| Kolkata | – | Rs 33508.02 |

### HL POLL

**Q :** Mera Hou chongbagi thouramna chingmee-tammee gi mari henna nakshinnaba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q :** Electric pibagumna N Biren gi chahi 5 gi leingak matamda meeyamda eshing fanghanba ngamgani khanbra?

Yes 21% No 79%

### অস! লোইরেহে!

শেল ময়োমসিবু করিগীনো বাজি?
ꯁꯦꯜ ꯃꯌꯣꯝꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ ꯕꯥꯖꯤ ?



হয়েং ঐ শিরগা পোৎলোইবা য়াওবা ময়ামগী য়ু লৈনবনি...!
ꯍꯌꯦꯡ ꯑꯩ ꯁꯤꯔꯒꯥ ꯄꯣꯠꯂꯣꯢꯕꯥ ꯌꯥꯎꯕꯥ ꯃꯌꯥꯝꯒꯤ ꯌꯨ ꯂꯩꯅꯕꯅꯤ...!

#### কুমজা ২০০৮ দগী লৈঙাক্লা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংগী অতোংমল লেপ্পীখিদ্রে

# গাড়ীশিংগী অতোংমল লৌনিংবতা লৌরে

অসেম বেবিচা

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(ঐচ এন এস):

মতম-মতমগী ওইনা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংগী অতোংমল লেপকদবদু মণিপুর লৈঙাক্না থৌশা-ৱাশাদনা লৈরকপদগী অতোংমল লেপ্পক্তবা চহী ১০ মপূং ফারক্লে। কুমজা ২০০৮ দা গাড়ীগী অতোংমল লেপখিবদগী ঙসি ফাওবা অয়াম্বা গাড়ীশিংগী অতোংমল লেপত্রি।

অমরোমদা, লৈঙাক্কী অশোয়বগী খূদোংচাবা লৌরদুনা তোঙান-তোঙানবা সোসাইটিশিংগী মখাদা চেল্লিবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংগী অতোংমল গাড়ী থৌরিবা কাঙবুশিংনা লৌনিংবা লৌরে। থা ১ রোমগী মমাংদা লুপা ১০ পীরগা চৎপা য়াবা মফম হৌজিক্তি লুপা ২০ লৌরে। অদুগা হনখিবদনা হান্নগী অতোংমল লুপা ১০দা অদুমক লৌরি। করি মরমগীদমক্তা মখোয়না লাকপগী খোঙচৎতনা লুপা ২০ লৌরগা হনখিবগী খোঙচৎতনা লুপা ১০ লৌরিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদে। অদুবু, মখোয়না ফোঙদোরকপা মতুংইন্নদি লুপা ১০ হেনগৎলিবদু হঙ্গৎ-হন্দাগী পারগদি লুপা ৫/৫গী চাংদা হেনগৎপনি হায়না ফোঙদোকই। কনাগুম্বা মীওই অমনা লাকপা খক্তমক পেসেঞ্জর গাড়ীদা তোংলগা হনখিবগী তোংদ্রগদি মহাক্কী গাড়ী অতোংমল অদু চাম্মদা চাম্মা হেনগৎলে হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়রি।

জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল ওল মণিপুর অন্দর ফাইব টোন পেসেঞ্জর সর্ভিসকী কনভিনর লাইখুরাম সোমোরেন্দ্রোনা পাউচে অসিদা হায়, মখোয়না ওটো রিক্সো নৎত্রগা ফাইব টোনগী মখাদা লৈবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংগী অতোংমল হেনগৎলক্লিবা অসি তঙাইফদবগীনি। পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎলকপা, পেট্রোল, দিজলগী মমল ৱাংখৎলকপা অমসুং লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ হেনগৎখিবনা মরম ওইরগা মখোয়সু গাড়ীগী অতোংমল হেনগৎতবা য়াদবগী ফীভম লাকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ২০১৭ কী এপ্রিলদা য়ানখিবা অমসু লৈখি। য়ানখিবা অদুদা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংগী টেক্স অমুকখক্তদা থীগদবনি হায়খিবদু হৌজিক্তি থীখ্রে। নোংমগী শেনফম খজিকখক ফংলগা ইমুং-মনুং পুনবা হোৎনরিবা ফাইব টোনগী মখাদা লৈবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংগী মপূ অমসুং ড্রাইভরশিংনা থীখিবা ৱান টাইম টেক্সকী শেনফম অদুসু অদুক্কী মতিক ৱাংখি।

পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংনা পেসেঞ্জর অমগী অতোংমল ওইনা লুপা ১০ লৌরিবসি কুমজা ২০০৮দা লৈঙাক্না লেপখিবা অতোংমল অদুনি। মতমদুদা দিজল লিটর অমগী মমল শুপ্পতগী লুপা ২৮ খক পীরম্মী। অদুগা হৌজিক্না লিটরদা লুপা ৭০ হেন্না পীরে। লৈঙাক্সু ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা গাড়ী অতোংমলগী মমল নৌনা লেপ্পীদ্রে। সোমদনা চাকখুম মৈ মুৎপগী ফীভমদা লৈরে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগা ফম্মিন্নরগা লুপা ৫গী চাংদা গাড়ী অতোংমল হেনগৎননবা ৱারেপ লৌরকপনি। *মখা লামায় ৩ কলম ৩*

# এ এ পিগী এম এল এ ২৭ দিসক্বালিফাই তৌবা য়াখিদ্রে

**হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরম অমসুং মচানুপা কার্টি চিদম্বরমগী মথক্তা চার্জসিট থাঙ্গৎলকখ্রে।**

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২৫(এজেন্সি):

ওফিস ওফ প্রোফিটকা মরী লৈননা দিল্লিগী এম এল এ ২৭ দিসক্বালিফাই তৌনবগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাকৎ অমা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অয়াবা পীখিদ্রে।

দিল্লিগী তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা এটেচ তৌবা রোগি কল্যান সমিটিশিংগী চ্যেরপার্সন ওই হায়বগীদমক আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী এম এল এ ২৭ দিসক্বালিফাই তৌনবা ৱাকৎলকখিবনি। জুলাই থাদা ইলেক্সন কম্মিসননা পীখিবা মোৎ মতুং ইন্না এম এল এ ২৭ দিসক্বালিফাই তৌবগী ৱাফম প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখিদবনি।

দিল্লি গভর্নমেন্টকী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টনা এপ্রিল ২৬ তা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়খি, মদুদি রোগি কল্যান সমিটিশিংনা অনা-লায়েংবদা মতেং পাংবগী থৌরাং লৌখৎকনি। চহী খুদিংগী লুপা লাখ ৩ রোগি কল্যান সমিটি অমমমদা গ্রান্ট-ইন এইদ ওইনা পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা টামিল নাদু লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পীকর পি ধনপালনা মমাঙ চহীগী সেপ্তেম্বর ১৮ দা এ আই এ দি এম কেগী এম এল এ ১৮ দিসক্বালিফাই তৌখিবগী থৌওং অদু মদ্রাজ হায় কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে। পার্টিকী লুচিংবা টি টি ভি দিনকরনবু থৌশাখিদবগীদমক এন্টি দিফেক্সন লোগী মখাদা এম এল এ ১৮ দিসক্বালিফাই তৌখিবনি। এম এল এ ১৮ গী পার্টিগী লুচিংবা অমবু থৌশাখিদবগা লোয়ননা এন্টি দিফেক্সন লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং চৎখি হায়না মদ্রাজ হায় কোর্টনা ৱায়েল পীখি।

অমরোমদা, হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরম অমদি মচানুপা কার্টি চিদম্বরমগী মথক্তা লুপা ক্রোর ৩,৫০০গী এয়রসেল-মেক্সিস কেসকা মরী লৈননা চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে।

সপ্লিমেন্টরি চার্জসিটতা খ্বাইদগী মপুং ওইনা চেন্নবা মীওইনি হায়না পল্লিবা পি চিদম্বরমগী মথক্তা মনি লোন্দরিংগী মরাল শীরি। কেস অসি নবেম্বর ২৬ তা দিল্লি হায় কোর্টনা ৱায়েল চথবা হৌরগনি। হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী মচানুপানদি অরানবা তৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। এদিসনল চার্জসিটতা কার্টি চিদম্বরমগী একাওন্টেন্ট ভাস্কর রমনসু মমিং য়াওখি। সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না চিদম্বরমবু ডা. মনমোহন সিংহগী লৈঙাক্তা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইবগী খুদোংচাবা লৌরগা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট দিল কয়ামরুম অরানবা মওংদা অয়াবা পীখি হায়না মরাল শীরি।

সী বি আই অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা কুমজা ২০০৬ তা এয়রসেল-মেক্সিস দিলগীদমক ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট ক্লিয়রেন্স পীখিবগী থৌওং থিজিন্দুনা লাকখি। সী বি আইনা হায়খি, মেক্সিসকী সবসিদিয়রি অমা ওইরিবা গ্লোবেল কম্যুনিকেসন সার্ভিসেস হোল্ডিংসনা এয়রসেলদা দোল্লর মিলিয়ন ৮০০ ইনভেষ্ট তৌনবগী *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## এন বিরেননা ৩শুবা মফম অদুম্মক কল্লি : রাহুল কনৱল

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া টুদেনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াবা চীফ মিনিষ্টরশিং খনগৎপদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অহুমশুবা কল্লম্বদগী থাক কয়ামরুম হন্থরক্লে হায়না ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে অমনা রিপোর্ট তৌরকখিবদু ইন্দিয়া টুদেনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া টুদেগী মেনেজিং এদিটর রাহুল কনৱলনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়, ইন্দিয়া টুদেগী পোলিটিকেল ষ্টোক এক্সচেঞ্জগা মরী লৈননা মণিপুরদগী ফোন তৌদুনা ৱাফম কয়ামরুম হংলক্লে। হৌজিকসু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লৈবাক অসিদা মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াবা অহুমশুবা চীফ মিনিষ্টর অদুম্মক ওইরি।

মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী মকোক মথং লিষ্ট অমুক হন্না পল্লদুনা মহাক্না হায়, মীওই চাদা ৫৯ না য়াবা ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবীন পটনাইকনা মকোক ইথং থংনা লৈরি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমতা বেনর্জি অমসুং মণিপুরগী এন বিরেননা মথংশিৎনা চাদা ৫৩ অমসুং চাদা ৫২ ওইদুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদা লৈরি। চাদা ৫১ ফংদুনা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর *...মখা লামায় ৩ কলম২*

## পৱন হন্স হেলিকোপ্টর অমখক্লা জিরিবামদা নৎতনা তমেংলোং অমসুং মোরেদসু পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস):

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা ইম্ফাল-জিরিবাম হেলি সর্ভিস হৌদোকখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২৯ দগী ইম্ফাল-তমেংলোং অমসুং ইম্ফাল-মোরে হঙ্গৎ-হন্দা পাইদুনা পেসেঞ্জর সর্ভিস হৌনবা মপূং ফাবা থৌরাং লৌখৎপা লোইখ্রে।

খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর, অসাম রাইফলসকী ওফিসলশিং য়াওনা চাংয়েং ওইনা ঙসি ইম্ফাল-মোরে অমসুং ইম্ফাল-তমেংলোং ফাওবা হঙ্গৎ-হন্দা পাইখ্রে। মদুগী তুংদা লৈগদৌরিবা রুট অহুম্মক্কী পেসেঞ্জরশিংদগী লৌগদবা অতোংমলসু লেপখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্সকী সবসিদি স্কিমগী মখাদা পাইগদৌরিবা মণিপুর হেলি সর্ভিস অসি মোরে, তমেংলোং অমসুং জিরিবাম ওইজরগসু শুপ্পতগী পৱন হন্সকী হেলিকোপ্টর অমখক্তনা নোংমগী মনুংদা হঙ্গৎ-হন্দা অমুক-অমুক্তগী হেন্না পাইররোই। ইম্ফাল-জিরিবাম ফাওবগী ওইনা পেসেঞ্জর অমদা হান্না লেপখিবা লুপা ৩০০০গী শেনফমদু অদুমক লৌখিগনি। অদুগা ইম্ফাল-মোরে অমসুং ইম্ফাল-তমেংলোংগী ওইনদি লুপা লিশিং ২/২ খোঙচৎ অমমম্দা লৌগনি হায়রি।

মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২৯ দগী হৌগদৌরিবা হেলি সর্ভিস অসি ইম্ফালদগী নুমিৎ খূদিংগী ওইনা অয়ূক্কী পুং ৯.৩০ দগী তমেংলোংদা পাইগনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী হেলিপেদ ফাওবা য়ৌবদা মিনিট ২৫ চঙগনি। মফমদুদগী পেসেঞ্জরশিং অমুক পুরক্লগা অয়ূক্কী পুং ১০ দগী ইম্ফালগীদমক তমেংলোং থাদোরক্কনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, অয়ূক্কী পুং ১০.৫০ দগী জিরিবামগীদমক হেলিকোপ্টর অদু অমুক ইম্ফাল থাদোক্কনি। অয়ূক্কী পুং ১১.২০ দা জিরিবাম য়ৌগনি অমসুং জিরিবামদগী অয়ূক্কী পুং ১১.২৫ দগী ইম্ফাল তম্না পাইরক্কনি। ইম্ফালদা নুমিৎয়ুংবা মতমদা থুংগনি। নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ২০ চৎপা মতমদা ইম্ফালদগী মোরেদা পাইগনি। পুংখায় অমা চঙনা পাইরবা মতুং মোরেদা নুংথিলগী পুং ১২.৫০ দা থুংগনি। মোরেদগী নুংথিলগী পুং ১২.৫৫ দগী পাইরক্লগা ইম্ফালদা নুংথিলগী পুং ১.০৫ দা থুংগনি। মদুগী মতুং নুংথিলগী পুং ১.২৫ দা ইম্ফালদগী জিরিবামদা পাইগনি। জিরিবামদা নুংথিলগী পুং ১.৫৫ দা থুংগনি। জিরিবামদগী নুংথিলগী পুং ২ দগী ইম্ফাল তম্না পাইরক্কনি অমসুং নুংথিলগী পুং ২.৩৫ দা ইম্ফালদা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

## দেকান কার্গোগী সিক্যুরিটিনা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্টতা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(ঐচ এন এস):

কুমজা ২০১৩ গী জন্যুৱারি ১১ দা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী য়াম্লবা দ্রগ ফাখিবগী কেসতা দেকান কার্গোগী ইগজেক্যুটিভ সিক্যুরিটি দিপাঙ্কর দাসনা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেসকী ফাষ্ট ট্রেক কোর্টতা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রে।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী ১৫ শুবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস ওইনা ফাষ্ট ট্রেক কোর্টকী এদিসনল সেসন জজদা ষ্টেটমেন্ট পীখিবা দিপাঙ্কর দাসনা হায়খি, ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মতমদুগী এস আই টিনা ফাখিবা য়াম্লবা দ্রগশিং অদু কলকটা এয়রপোর্টতা কার্গোগী এজেন্টনা পুরকখিবনি। পোৎ ময়াম অদুদা য়াওরিবা পোৎলমশিং চেক তৌরে হায়না এজেন্টনা সিক্যুরিটি দিক্লেরেসন অমা পীরকখি। মদুদা এজেন্টকী মমিং, পোৎকী অরুম্বা অমদি য়াওরিবা পোৎলমশিং ময়েক শেংনা পল্লকখি। কার্গোদা পুরকপা দ্রগশিং এয়রপোর্টতা স্ক্রিনিং তৌবদা খন্দোকপা ৱানা থোকই। মসিগীসু মথক্তা কার্গোগী পোৎলমশিং এয়রক্রাফতা হাপকৎত্রিঙৈগী মমাঙদা এজেন্ট অমদি সী আই এস এফকী পার্সনেলশিং য়াওনা চেক তৌবগী থৌওং চথে। সী আই এস এফনসু লোদর পুম্নমক নীংথিনা চেক তৌবগা লোয়ননা করি করম্বা পোৎলমশিং য়াওবগে হায়বদু কুপ্না য়েংশিল্লি।

পনবা য়াবদি এদিসনল সেসন জজ (ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট) এন দি এন্দ পি এসনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী অয়াবা লৌরগা কুমজা ২০১৩ গী জন্যুৱারি ১১ *...মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## ইমপ্লোয়ীশিং শীন্থা লেপ্পুনা মাস রেল্লি য়াওবীয়ু : কনভিনর

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস):

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না শীন্দুনা থা অসিগী ৩১ দা চৎকদৌরিবা ওক্তোবর মাস রেল্লি অসিগী শেম শাবগী থবক য়াম্না কন্না চথুরি, হৌজিক ফাওবদা মীওই লাখ ১.৫ হেনবনা রেল্লি অসিদা শরুক য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লি হায়না রেল্লি অসিগী মোবিলাইজেসন সব-কম্মিটিগী কনভিনর এন জি দেবনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এন জি দেবনা হায়খি, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবগীদমক থা অসিগী ৩১ দা চৎকদৌরিবা ওক্তোবর মাস রেল্লি অসি পাঙথোক্লবগীদমক মোবিলাইজেসনগী থবক লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লি। তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগা পাউ ফাওনবগী থবকসু চথুরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই লাখ ১.৫ হেনবনা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। হায়রিবা মশীং অসিদগী হেনগৎলকখিগনি।

লমদমসিদা লৈরিবা মহৈলোইশঙশিং থা অসিগী ৩১ দা খোঙ হাংবীয়ু। লৈঙাক্কী লোইশঙশিং, লন্নাই লোইশঙশিংদি থা অসিগী ৩১ দা শীন্থা লেপ্পুনা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবীয়ু। তোঙান-তোঙানবা শীনফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি মীয়াম্না খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ামিন্নসি।

ম্যুনিসিপালিটি, নগর পঞ্চায়ট, জিল্লা পরিষদ, গ্রাম পঞ্চায়ট কয়াগী মীওইশিংসু উনবদা খোঙচৎ অসিদা চাওনা শরুক য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লে। থা অসিগী ৩১ দা টিদ্দিম গ্রাউন্দদা মীয়াম পূল্লবা মতুংদা খুমন লম্পাক তম্না রেল্লি চৎকনি। খুমন লম্পাক্তা থুংলবা মতুংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাঙথোক্নুনা কুপ্না খন্ন-নৈনগনি।

খোঙচৎ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াগনি হায়না হান্নবা লেপ্পখিবা লৈখ্রে। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লাক্কদৌরিবা মীওইশিং অসিগী চৎথোক-চৎশিনগীদমক ট্রান্সপোর্টেসনগী থৌরাং কয়াসু পায়খৎলে। শরুক য়াবা লাক্লীংবা মীওইশিংনা ট্রান্সপোর্টেসনগীদমক য়ু সী এমদা *...মখা লামায় ৩ কলম ৩*

## মনিপেক্স এগজিবিসন হৌদোকখ্রে, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সকী স্পেসল কভর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস):

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিস মণিপুর দিভিজননা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চথুগদবা মনিপেক্স এগজিবিসন ২০১৮ ঙসিদগী হৌখ্রে। থৌরম অদুদা স্পেসল কভর ওন ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সসু রিলিজ তৌখ্রে।

ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিসতা ঙসি মনিপেক্স এগজিবিসন হৌদোকপগী থৌরম অদু মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর ওইরম্বা ডো. আর কে নিমাইনা চীফ গেষ্ট ওইখি। ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সকী মেনেজিং দিরেক্টর ডো. টি ঐচ ধবলিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি অমসুং পোষ্ট ওফিস, মণিপুর দিভিজনগী সুপরিন্টেন্দেন্ট টি আর দেৱাননা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা আর কে নিমাইনা হায়খি, ষ্টাম্প কলেক্সন তৌবা হায়বসি কনাগুম্বা অমগী হোবিনি। অঙাংশিংনা ষ্টাম্প কলেক্সন তৌবদা পূক্নিং থৌগৎকদবনি। ষ্টাম্পশিংদা য়াওরিবা শক্তমশিং অদুনা ষ্টেটশিংগী নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী পুৱারীগী ওইবা তাঙ্ককশিং খঙহনবতা নৎতনা শক্লাইরবশিং অদুগী পূন্সিগী *...মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## মীয়ামগী ৱাকৎ ৪০০ রোম তাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ (ঐচ এন এস):

মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটকী দরবার হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মীওই ১,২০০ রোম উনখিবগা লোয়ননা ৱাকৎ ৪০০ রোমসু থম্নরকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তাবদগী নুংথিল পুং ১.২০ লোম চৎপা ফাওবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মীয়ামগা উনখি। তোঙান-তোঙানবা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

HL-P/5580/26

Department of Posts::India
Office of the Superintendent of Post Offices
Manipur Division, Imphal

India Post

**MANIPEX-2018**

Manipur Postal Division cordilly invites all Philatelists, School Students, Parents, Teachers to the closing function of MANIPEX-2018, a **Mega Philately Exhibition** which is being held at Imphal Head Post Office Complex.

Time: 2.30 PM Venue: Imphal Head Post Office
Chief Guest: S. Indrani Devi, Principal, CC Hr. Secondary School
Guest of Honour: Dr. Rajkumar Kapan, MDS, Dental Surgeon

HL-B/5552/21/10-20/11

LOAN FACILITIES AVAILABLE
- Machinery Loan
- Two Wheeler Loan
- Car/Commercial Light Vehicle Loan
- TV Loan
- Pension Loan
- Service Loan

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung, Moirangkhom
B.O. MG.Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on: www.imphalfinancesociety.in.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫